# পিছ টোক্কী মতাংদা নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা রিজনেল চর্চ লিদরশিংগা ৱারী শান্নগদৌরি



গুৱাহাটি, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): নাগা পিছ টোক্কী মতাংদা নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা ইরাই নুমিৎতা রিজনেল চর্চ লিদরশিং অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিংগা উনদুনা ৱারী শান্নগদৌরি।

নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎপদা খুৎমাং চাওশিনবা ঙমদ্রে হায়বা ৱাকৎ কয়া লাকখ্রবা মতুংদা আর এন রবিনা অৱাং নোংপোক লমদমদা খুন্দারিবা নাগা ত্রাইব ১৪গী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্ননবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। পিছ টোক্কী ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা আর এন রবিনা ওক্টোবর ১০দা নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-আইসাক মুইভা (এন এস সি এন -আই এম)গী লুচিংবা থুইঙালেং মুইভাগা উনদুনা ৱারী শান্নবা লৈখ্রবনি।

নাগাশিংগী তোখাইবা ফিরাল অমসুং কন্সটিটুট্যুসন লৈহনবগী ৱাফম য়াওনা মমাঙদা এন এস সি এন -আই এমনা পুখৎখিবা ৱাফম কয়ামরুম সেন্টরনা থৌশাবিদ্রে হায়না লুপ অসিনা থেংখাঙ কয়ারক্তা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। চপ মান্নবা মওংদা নাগাশিংগী লুপ কয়ানসু সেন্টরগী থৌওংদা পে দনবগী ৱাফম ফোঙদোক্লরকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক্তা নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন থা ৩গী মনুংদা পুরক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবগী মতাংদা নাগা ত্রাইবশিংগী অপুনবা লুপ অমা ওইরিবা নাগা হো হোনা হায়খি মদুদি, নাগল অনীগী মরক্তা য়ান্নগদবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরিবা মরম্না থা ৩গী মনুংদা নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়রিবসি ওইথোকপা য়ারোই।

নাগাশিংগী তোখাইবা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসন লৈহনবগা লোয়নননা নাগা তাবা মফম পুম্ন মক এদমিনিষ্ট্রেটিব য়ুনিট অমগী মখাদা পুনশিনগদবনি হায়বা দিমান্দ পিদ্রবদি ৱারোইশিন পুরকপগী ৱাহন্থোক লৈরোই হায়নসু নাগা হোহোনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এন এস সি এন-আই এমনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা থাখিবা চেরোল অমনা হায়খি মদুদি কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদা নাকল অনীনা অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবসি নিংবা কাইনিংঙাইনি। শাংলবা চহী ২২ ৱারী শান্নদুনা লাকখ্রবা মতুংদা নাগা মীয়ামগী অপাম্বা ফঙহল্লোইদবা লৈরবদি য়ান্ন-চেদা খুৎয়েক পীবগী ৱাফম লৈরোই হায়নসু লুপ অসিনা ফোঙদোকখি। লুপ অসিনা হায়খি, সেন্টরদা মথং মথং পাল্লকখিবা লৈঙাক্লা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী মহুৎতা মতম মাংহন্দুনা লৈরে।

# ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা পি চিদম্বরম ফানবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পিটিসনগী ৱায়েল রিজার্ব তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরম ফারগা ৱাহং পাউহং চথবা য়াহনবীয়ু হায়না দিল্লিগী কোর্ট অমদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমগী ৱায়েল রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে।

আই এন এক্স মিদিয়া কেসতা চেন্নৈ হায়বগীদমক পি চিদম্বরম ফারগা ৱাহং পাউহং চথনবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়না ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি। ওগষ্ট ২১দা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না কেস অসিগা মরী লৈননা চিদম্বরম ফারগা তিহার জেদল থম্লক্লিবনি।

মতুং তারকপদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনসু হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ফানবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়না পিটিসন অনী ফাইল তৌরকখি। চিদম্বরমগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট কপিল সিবালনা হিরম অসিগী মতাংদা হায়খি মদুদি হৌজিক ফাওবা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা ফর্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট (এফ আই আর) ফাইল তৌরকপা লৈতবা মরম্না সি বি আইগী কষ্টদিদা লৈরিবা পি চিদম্বরম ফাবা চুমদে।

ৱাফম অসিগী মতাংদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী মায়কৈদা লেপখিবা সোলিসিটর জেনরেল টুসার মেহতানা কোর্টতা হায়খি মদুদি মনি লোন্দরিগী ৱাফম অসি তোখাইবা কেস অমা ওইবা মরম্না পি চিদম্বরমবু কষ্টদিদা থম্লগা ৱাহং পাউহং চথবা তঙাইফদে।

নাকল অনীমক্কী ৱারোল তারবা মতুংদা স্পেসল জজ অজয়কুমার কুহারনা পিটিসন অসিগী ৱায়েল হয়েং পীরগনি হায়না মতম লেপখি। আই এন এক্স মিদিয়া কেসকা মরী লৈননা সেপ্টেম্বর ৫দগী জুদিসল কষ্টদিদা থম্লক্লিবা পি চিদম্বরমনা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মচানুপা কার্টি চিদম্বরমগী থৌইনশিনদগী অরানবা মওংদা মপান লৈবাক্তগী শেল থাদনবা অয়াবা পীখি। মপান লৈবাক্তগী য়াম্লবা শেনফম থাদনবগী অয়াবা পীখিবগীদমক চিদম্বরমনা শেল লৌখি হায়নসু ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিশিংনা মরাল শীরি।

আই এন এক্স মিদিয়াগী কো ফাউন্দর ওইরিবা পিটর মুখর্জিয়া অমদি ইন্দ্রানি মুর্খিজিয়াসু হৌজিক হৌজিক ইন্দ্রানিগী মচানুপী সিনা বোরা মীহাৎকা মরী লৈননা জেলদা লৈরিবনি। আই এন এক্স মিদিয়া কেসকী ৱায়েল চথরকপদা ইন্দ্রানি মুর্জিয়ানা প্রোজিক্যুসনগী মীচঙ চঙলগে হায়না অয়াবা পীখিবগা লোয়নননা চিদম্বরমগী মায়োক্তা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়ামরুম কোর্টতা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

# এল পি জি সিলিন্দর পোকখায়বদা মীওই ১৩ শীরে

মাও, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): উট্টর প্রদেশকী মাও দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা ৱালিদপুর এরিয়াদা এল পি জি সিলন্দর পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মীওই ১৩ শীরে।

থৌদোক অদুদা মথোল অনী ৱাংবা বিল্ডিং অমা নিংখাইখিবগা লোয়নননা মীওই ১২সু অশোক অপন নংখ্রে। মনাক নক্লা লৈবা বিল্ডিং খরসু অমাং অতা থোকখি। এল পি জি সিলিন্দর পোকখায়খিবগী মতাংদা ষ্টেট অসিগী এন্টি টেররিজম স্কৱাদ (এ টি এস)না ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌরে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, সিলিন্দর পোকখায়রকপদা মীওই ৭ থৌদোক থোকফমদা শীখি। অতোপ্পা মীওই ৬না হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরম্লবা মতুংদা শীখিবনি। অশোক অপন নংলবা মীওই ১২গী মনুংদা মীওই ৭কী ফিভম লুনা লৈরি হায়না হোস্পিটালগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যানথনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা লৈখিদ্রবা অমসুং অশোক অপন নংলবা মীওইশিংদা অঙন্বা মতেং পাঙগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

# দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎশিল্লক্লে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা হৌজিক নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়নননা এ ক্যু আইগী স্কোর ২৮০ য়ৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সিষ্টেম ওফ এয়র ক্বালিটি এন্দ ৱেদর ফোরকাষ্টিং এন্দ রিছার্স (সফর)গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মতম খরা শাফরম্লবা মতুংদা দিল্লিগী এয়র ক্বালিটি ইনদেক্স খুদোংথিনিংঙাই ওইবা চাং য়ৌরক্লে। লাক্কদৌরিবা নোংমা নীনিগী মনুংদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং অমুক্কা হেন্না ৱাংখৎলকপা য়াই।

হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবতা মহৈ মরোং লোকখিবগী অকংবা মনা মশিং মৈ থারকপনা মরম ওইরগা দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলকপনি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা মীওইবগী হকশেলদা খুদোংথিংবা থোকহল্লবা য়াই হায়রি।

# পাকিস্তানদা ফাইনান্সিএল এক্সন টাস্ক ফোর্সনা অকনবা প্রেসর পীরি ঃ অজিৎ দোবাল



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): টেররিজমগী মায়োক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা ফাইনান্সিএল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ)না পাকিস্তানগী মথক্তা অকনবা প্রেসর পিরি হায়না নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবালনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবগী মতাংদা লৌখিবা ৱারেপ ঙাকপা ঙমদ্রে হায়না পাকিস্তানদা কয়ারক হন্না অকনবা ৱারোল ফোঙদোকপা লৈখ্রে। হৌজিক ফাওবা হফিজ সায়িদ অমদি অতৈ টেররিষ্ট লুচিংবশিংগী মথক্তা করিগুম্বা মখলগী থৌরাং অমত্তা লৌখৎতবগী থৌওংবু এফ এ টি এফনা হকচিন্না লৌই হায়নসু অজিৎ দোবালনা ফোঙদোকখি।

দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱা ঙাংখিবদা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরনা হায়খি, মমাঙ চয়োলদা এফ এ টি এফকী এসিয়া-পেসিফিক গ্রুপ্না লমাই ২২৮ পানবা রিপোর্ট অমা থাদোরকখি। রিপোর্ট অদুদা পাকিস্তাননা হৌজিক ফাওবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ৱারেপ ঙাকপা ঙমদবগী ৱাফম ময়েক শেংনা থম্লকখি হায়নসু অজিৎ দোবালনা ফোঙদোকখি।

পাকিস্তানা হৌজিক হৌজিক চাইনা, টর্কি অমসুং মলেসিয়ানচিংবা এফ এ টি এফকী মরু ওইবা মেম্বর খরগী মতেং লৌনবা হোৎনরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা এফ এ টি এফনা ব্লেকলিষ্ট তৌরকপা তারবদি পাকিস্তানগী মথক্তা ইন্টর্নেসনল মোনিটরি ফন্দ, ৱল্ড বেঙ্ক অমদি এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্কনা তেঙবাং অমত্তা পীরক্তবা য়াই।

# নুমিৎ ৭০নিগী মতুংদা মীয়াম্না কাশ্মির তম্পাক্তা অমুক হন্না মোবাইল ফোন শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফঙলে



স্রিনগর, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): সেন্টরনা নুমিৎ ৭০ হেন্না কাশ্মির তম্পাক্তা মোবাইল ফোন অমদি ইন্টর্নেট য়াওনা কম্যুনিকেসন লাইন পুম্নমক থিংজিন্দুনা থম্লকখ্রবা মতুংদা ঙসি কাশ্মির তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ১০দা পোষ্ট পেদ মোবাইল সার্ভিসকী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে।

ওগষ্ট ৫দা সেন্টরনা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্লা খাইদোকখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী ইহৌ লাকশিন্নবগী পান্দমদা কম্যুনিকেসন লাইন পুম্নমক থিংজিনখিবনি। মতম কুইরবগী মতুংদা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৪৫ তাবদা মীয়াম্না স্রিনগরগী লম্বীশিংদা থোরক্তুনা মরুপ মপাং অমদি মরী মতাশিংগা মোবাইল ফোনগী খুথাংদা ৱারী শান্নখি।

কাশ্মির তম্পাক্তা চাওরাক্লা মোবাইল ফোন কনেক্সন লাখ ৬০ রোম লৈ। মসিগী মনুংদা পোষ্ট পেদ লাখ ৪০ রোম য়াওরি। দিল্লিগী কম্পেনি অমদা থবক তৌবা সকিব অহমদ কৌবা মীওই অমনা এজেন্সিদা হায়খি, পোষ্ট পেদ মোবাইল ফোন অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াহল্লকপগীদমক লৈঙাক্কী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদগী লেন্দ লাইন ফোনশিং অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াখ্রবসু মোবাইল ফোন শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংদনা লাকখিবনি। কাশ্মির তম্পাক্তা পোষ্ট পেদ মোবাইল ফোন শীজিন্নবা য়াহনখ্রবা মতুংদা মীয়াম্না হান্নগী মতৌগুম ইন্টর্নেট শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফঙহনগদবনি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

পনবা য়াবদি, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী গভর্ণর সত্যা পাল মালিকনা কাশ্মির তম্পাক্তা লম কোইবশিং চঙলকপদা থম্লম্বা অথিংবা পুম্নমক ওক্টোবর ১০দগী লৌথোক্লে হায়না লাউথোকখ্রবনি। কনাগুম্বা টুরিষ্টশিংনা কাশ্মিরগী য়েংনিংবা মফম য়েংবা চৎপদা মথৌ তাবা তেঙবাং পুম্নমক পীগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মতম খরা মোবাইল ফোন সর্ভিস থিংজিনখিবগী মতাংদা গভর্ণরনা হায়খি, টেররিষ্টশিংনা মোবাইল ফোনগী খুথাংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্কদৌরে হায়বা খঙবদগী তঙাইফদনা টেলিফোন সার্ভিস থিংজিনখিবনি। মোবাইল ফোন শীজিন্নববুদি মীচম মীয়ামগী পুন্সি কনবনা মরু ওইবা হেল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মায়কৈ কয়াদগী অথিংবা লৌথোক্লবা তকশিল্লকখিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মতম অমদা মোবাইল ফোন থোরক্ত্রিঙৈদা মীয়াম্না অদুমক হিংবা ঙমখি। নুমিৎ খরনি মোবাইল ফোন অমসুং ইন্টর্নেট সার্ভিস থিংলিবসি মীয়ামগী পুন্সি কন্নবগী পান্দমদনি।

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref :- Vide Mut. Case No. 677/SDC/Oinam of 2019**

Ningthoujam Pholindro Singh, S/o (L) N. Angoubi Singh of Meitei Langol Mayai Leikai ...Applicant

-Vs-

Ningthoujam Angoubi Singh, S/o (L) N. Rupa Singh of Leimaram *...O.P. Pattadar*

/ **NOTICE**

Dated : 14-10- 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ২৮-লৈমরাম খুনগী পাট্টা নং ১০ অরিবা, অনৌবা ৭৩ দাগ নং ২০৩ এরিয়া ৩.৫৩ একর ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Oinam

HL-P/3864/15

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref :- Vide Mut. Case No. 676/SDC/Oinam of 2019**

Ningthoujam Rupachandra Singh, S/o (L) N. Angoubi Singh of Langol Thongak Lairembi ...Applicant

-Vs-

Ningthoujam Angoubi Singh, S/o (L) N. Rupa Singh of Leimaram *...O.P. Pattadar*

/ **NOTICE**

Dated : 14-10- 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ২৮-লৈমরাম খুনগী পাট্টা নং ২ অরিবা, অনৌবা ৪৩৬ দাগ নং ২৬৩ এরিয়া ০.৬৩ একর ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Oinam

HL-P/3864/15

## OFFICE OF THE SKYLARK INTELLECTUAL ACADEMIA

Regd No: 84 of 2014-15

### Result for 2nd State Level Mathematics Competition-2019

Class IV

| Sl. No. | Roll No. | Name of student & School | Mark Secure |
|---|---|---|---|
| 1. | 4024 | Jenita Thokchom<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 98 |
| 2. | 4077 | Haridash Thokchom<br>New Public Hr. Sec. School, Khangabok | 97 |
| 3. | 4022 | Khundrakpam Dhanashree<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 96 |
| 4. | 4135 | Pukhrambam Rishichand Singh<br>Victory High School, Kakching | 95 |
| 5. | 4042 | Julai Khundrakpam<br>K.M. Blooming Hr Sec. School, Khangabok | 94 |
| 6. | 4078 | Tourangbam Jinalee Devi<br>K.M. Blooming Hr Sec. School, Khangabok | 93 |
| 7. | 4020 | Nancy Moirangthem<br>K.M. Blooming Hr Sec. School, Khangabok | 92 |
| 8. | 4112 | Laishram Birjit<br>The Base Academy, Khangabok | 91 |
| 9. | 4001 | Stalin Yendrembam<br>St. Joseph Hr. Sec. School | 90 |
| 10. | 4065 | Mayanglambam Henary Singh<br>P.R English School, Kakching | 89 |

Class V

| Sl. No. | Roll No. | Name of student & School | Mark Secure |
|---|---|---|---|
| 1. | 5080 | Adison Yumnam<br>Guidance Coaching Centre, Khangabok | 90 |
| 2. | 5051 | Denison Moirangthem<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 86 |
| 3. | 5102 | Jenius Thokchom<br>Ramakrishna Mission School, Imphal | 85 |
| 4. | 5086 | Yangabam Lanchenba<br>Guidance Coaching Centre, Khangabok | 84 |
| 5. | 5048 | Hijam Seitam Singh<br>Guidance Coaching Centre, Khangabok | 83 |
| 6. | 5060 | Khundongbam Michael Singh<br>Guidance Coaching Centre, Khangabok | 82 |
| 7. | 5078 | MD. Kabir Khan<br>Guidance Coaching Centre, Khangabok | 81 |
| 8. | 5126 | Laishram Binita Devi<br>The Base Academy, Khangabok | 80 |
| 9. | 5104 | Chingkham Linthoi Chanu<br>Guidance Coaching Centre, Khangabok | 79 |
| | 5054 | Hijam Suraj Singh<br>Guidance Coaching Centre, Khangabok | |
| 10. | 5076 | Laishram Yaiphaba Khuman<br>Guidance Coaching Centre, Khangabok | 78 |
| | 5082 | Albert Phijam<br>Guidance Coaching Centre, Khangabok | |
| | 5098 | Anju Laishram<br>New Public Hr. Sec. School, Khangabok | |

Class VI

| Sl. No. | Roll No. | Name of student & School | Mark Secure |
|---|---|---|---|
| 1. | 6049 | Jugeshchandra Laishram,<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 82 |
| 2. | 6055 | Anchana Ningthoujam<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 80 |
| 3. | 6032 | Sudhirkanra Ningthoujam<br>Eastern Star Hr. Sec. School, Khangbok | 76 |
| 4. | 6036 | Yaiphaba Laishram<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 75 |
| 5. | 6020 | Rainson Laishram<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 74 |
| 6. | 6023 | Velentina Ningthoujam<br>New Public Hr. Sec. School, Khangabok | 72 |
| 7. | 6035 | Salam Sonali Devi<br>Victory High School, Kakching | 70 |
| 8. | 6072 | Thoithoiba Ningthoujam<br>Eastern Star Hr. Sec. School, Khangbaok | 68 |
| 9. | 6039 | Debiya Thokchom<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 66 |
| 10. | 6019 | Tompok Moirangthem<br>The Base Academy, Khangabok | 64 |

Class VII

| Sl. No. | Roll No. | Name of student & School | Mark Secure |
|---|---|---|---|
| 1. | 7045 | Moirangthem Albert Singh K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 96 |
| 2. | 7068 | Thokchom Sandhya Devi<br>New Public Hr. Sec. School, Khangabok | 90 |
| 3. | 7070 | Kalpana Ningthoujam<br>New Public. Hr. Sec. School, Khangabok | 86 |
| 4. | 7035 | Saikhom Amarjit Meitei<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 82 |
| 5. | 7004 | Yuhenba Laishram<br>St. Joseph. H. Sec. School, Imphal | 81 |
| 6. | 7048 | Princilla Okram<br>Paradise English School, Thoubal | 80 |
| 7. | 7037 | Zidan Khundongbam<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 79 |
| 8. | 7039 | Moirangthem John Singh<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 78 |
| 9. | 7063 | Winkesh Ningthoujam<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 77 |
| 10. | 7066 | Laishram Pristina Devi<br>New Public Hr. Sec. School, khangabok | 75 |

Class VIII

| Sl. No. | Roll No. | Name of student & School | Mark Secure |
|---|---|---|---|
| 1. | 8036 | Lily Moirangthem<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 84 |
| 2. | 8040 | Thiyam Helana<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 83 |
| 3. | 8017 | Punshiba Moirangthem<br>The Base Academy, Khangabok | 82 |
| 4. | 8018 | Laishram Rani Chanu<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 81 |
| 5. | 8038 | Wangjam Bebika Devi<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 80 |
| 6. | 8049 | Thokchom Bicky Singh<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 76 |
| 7. | 8045 | Ajoy Khuman Nongmaithem<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 75 |
| 8. | 8072 | Chinglen Singh Kh<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 74 |
| 9. | 8028 | Sanathoi Ningthoujam<br>The Base Academy, Khangabok | 72 |
| 10. | 8037 | Elangbam Borish Singh<br>New Public Hr. Sec. School, Khangabok | 71 |

Class IX

| Sl. No. | Roll No. | Name of student & School | Mark Secure |
|---|---|---|---|
| 1. | 9036 | Thokchom Newton Singh<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 88 |
| 2. | 9039 | Thoithoiba Khundrakpam<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 86 |
| 3. | 9041 | Erurin Khundrakpam<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 85 |
| 4. | 9040 | Saikhom Naoboy Singh<br>New Public Hr. Sec. School, Khangabok | 84 |
| 5. | 9058 | Kangabam Alex Singh<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 84 |
| 6. | 9014 | Bidyarani Thokchom<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 83 |
| 7. | 9020 | Kh Romesh Meitei<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 82 |
| 8. | 9033 | Khoisnam Patel Meidingu<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 82 |
| 9. | 9058 | Khangembam Nitish Kumar Singh<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 81 |
| 10. | 9044 | Moirangthem Remika Devi<br>New Public Hr. Sec. School, Khangabok | 80 |

Class X

| Sl. No. | Roll No. | Name of student & School | Mark Secure |
|---|---|---|---|
| 1. | 1005 | Maibam Sushil<br>Dorendro Memorial English School, Heirok | 64 |
| 2. | 1030 | Maibam Robertson Singh<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 61 |
| 3. | 1020 | Naorem Florence Chanu<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 60 |
| | 1024 | Jenita Lairenlakpam<br>K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok | 60 |
| 4. | 1001 | Tomthin Laishram<br>Lamjing Meira , Lamlai | 57 |
| 5. | 1033 | Laishram Johnson Singh<br>New Public Hr. Sec. School, Khangabok | 55 |

**Best School:** K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok
**Best Parent :** Moirangthem Brojen Singh of Khangabok Part-II Maisnam Leikai
Any complaint can be made on or before 31st October 2019 During office hours.

**N.B:** The Prizes will be distributed on 07th January-2020 at Lamyanba Shanglen at 10:00 am.

*Sd/-* **NC Mangang**
*Co-Ordinator*
SKYLARK INTELLECTUAL ACADEMIA

HL-P/4085/15